# ওলিম্পিক্কীদমক্তা শেম-শারিবা এথলেটশিংদা খুদোংচাদবা লৈহনবা য়ারোই, নেসনল কেম্প চথরগনি : রিজিজু



ন্যু দিল্লি, জুলাই ২০ (এজেন্সী): কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা মালেমদা লৈরিবা মীওইশিংগী পুন্সি মরেলদা অহোংবা কয়া পীখিবা অদুগী মনুংদা শান্নরোয়শিংদসু চপ মান্নবা চৈথেং পীরি। চহী অমা য়ৈথোকখ্রবা ওলিম্পিক্সকীদমক ক্বালিফাই ওইরবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অমদি ওইবা য়ানা লৈরিবা কাঙলূপশিং অদুগী ওইবা নেসনল কেম্পশিং চথরগনি হায়না স্পোর্টস মিনিষ্টির কিরেন রিজিজুনা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াই, কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা চহী অসিগী জুলাই থাদগী হৌগনি হায়না তৌরম্বা টোকিও ওলিম্পিক গেমস চহী অমা য়ৈথোক্লগা কুমজা ২০২১গী জুলাই থাদা পাঙথোক্লগনি হায়না শেম শারি।

ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা লোকদাউন থমদুনা লায়না লাইচৎ অসি শন্দোরকপগী খোঙজেল তপথহন্নবা হোৎনরকখি। লোকদাউন অসি মফম খরদা মতম খরা খরা কোমথোক্তুনা লাক্লি।

স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা ওলিম্পিক্সকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইরবা অমদি ওইরকপা য়াবা কাঙবু অদুবু মীয়াম পূনবা মফমদা চঙহন্দনবা অমদি মখোয়বু ত্রেনিংদা অমুক লৈহন্নবগী খোঙথাং লৌখৎলকপদা মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগীসু অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। ইন্দিয়ানা মালেমগী ওইনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মশীং অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈরিবনি।

হন্দক্তা মরু ওইবা পাউচে অমগা ৱারী শানবদা কিরেন রিজিজুনা ফোঙদোকখিবদা শান্নরোয়শিংনা ওলিম্পিক্সকীদমক্তা শেম শাবদা চথগদৌরিবা ত্রেনিং কেম্পশিং অদু মখোয়গী হকশেলগী মায়কৈদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা লৈঙাক্লা পীবা কাঙলোনশিং অসি নিংথিনা চৎনহনগদৌরি।

লৈঙাক্লা পীবা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজরশিং ঙাক্লা নেসনল কেম্প খরা পাঙথোকপা হৌখ্রে। ত্রেনিং তৌফমশিং অদুনা লৈরিবা ষ্টেটশিংগী কোভিদ-১৯ লাইচৎকী ফীভমশিং অদুসু য়েংলগা পাক শন্না পাঙথোকপা য়ারোইদবগী খোঙথাং লৈরি।

পঞ্জাবকী পটিয়ালাদা লৈবা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ স্পোর্টসতা বোক্সিংগী নেসনল কেম্প চথরিঙৈ মনুংদা বোক্সর খরনা প্রোটোকোল থুগাইরম্বগী মতাংদা মরী লৈনবশিং অদুদা অকৃপ্পা ৱারোলশিং পীরক্লবা খঙহনখ্রে।

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা লৌখৎলিবা খোঙথাংশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা থা অসিগী ১৫দা রিজিজুনা ষ্টেট খুদিংমক্তসু থা ২/৩ রোমগী মতুংদা স্পোর্টসকী এক্টিভিটিং অমসুং ত্রেনিং হৌনবা খঙহনখ্রবনি।

## ৱিমেন স্পিদ চেছ ওনলাইন চেম্পিয়নশিপ

# য়ুক্রেনগী গ্রান্দমাষ্টর অনা উসেনিনানা রসিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর আলেকজেন্দ্রা কোষ্টেন্যুকপু মায়থীবা পীরগা চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুলাই ২০ (এজেন্সী): ইন্টর্নেসনল চেছ ফেদরেসনননা শীন্দুনা নুপীগী স্পিদ চেছ ওনলাইন চেম্পিয়নশিপকী ঙসি শান্নখিবা সুপর ফাইনেলদা য়ুক্রেনগী গ্রান্দমাষ্টর অনা উসেরিনা অমসুং রসিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর আলেকজেন্দ্র কোষ্টেন্যুককা লম্বা তৌনবদা গেম ২০ হেন্না লম্বা তৌনদুনা মায়থীবা পীরগা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

ওনলাইনদা পাঙথোকপা স্পিদ চেছ টুর্নামেন্ট অসি লেগ মরি থোক্লা শান্নবনি। হায়রিবা লেগ মরি অসিদা শান্নরোয়শিং অদুনা ফংখিবা পোইন্টশিং অদু পূনশিল্লগা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈবা শান্নরোয় অনী অদুনা লম্বা তৌনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী শান্নরোয় অহুম শরুক য়াখি। ইকোন কোনবা মরিশুবা লেগতা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর কোনেরু হম্পিনা য়াম্না ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎতুনা ফাইনেলদা ঙসি সুপর ফাইনেলদা রন্নর্স-অপ তাহৌরবী আলেকজেন্দ্র কোষ্টেন্যুককী মখূৎতা মায়থীহৌখি।

অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় রমেস বাবু বৈশালি অহানবা লেগতা সেমীফাইনেল য়ৌদুনা মরিশুবা পোজিসন তাখি। অদুবু অহুমশুবা শান্নরোয় দ্রোনাভালি হরিকা ক্বার্টর ফাইনেল ষ্টেজদগী লানখৎপা ঙমদনা ফজবা ঙমখিদে।

ঙসিগী ফাইনেল মেচ অদু হৌরকপদা রসিয়াগী কোষ্টেন্যুকনা পোইন্ট খরা মাঙজিল থারগা লৈবা ঙমখি। অদুবু য়ুক্রেনগী উসেনিনানা ফজবা হেল্লকপদগী পোইন্ট ৫.৫-৫.৫দা মান্নরম্বদগী মহাক্লা মায় পাক্তুনা মাঙজিল থাবা হৌখি।

গেম মরি শান্নরবা মতুং অমুক হন্না রসিয়াগী কোষ্টেন্যুকনা ফজবদা পোইন্ট ৯.৫-৯.৫দা লৈখি। মখা তাবা গেম অনীদা উসেনিনানা মায় পাকপদগী পোইন্ট ১২-১০দা অমুক হেন্দুনা চৎখি।

পোইন্ট ১৩-১১ ফাওবা লৈরম্বদগী রসিয়াগী এক্সপরিএন্স লৈরবী আলেকজেন্দ্র কোষ্টেন্যুকনা উসেনিনাগী খোঙজেল খরা তপ্পা মশান্না অদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা মায় পাকপা ঙম্বদগী পোইন্ট শোথরম্বদগী অমুক মান্নবা ঙমদুনা ১৩.৫-১৩.৫দা মান্নখি। অদুবু টুর্নামেন্ট অসিগী চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না মখা তাবা গেম অথোইবা মী অদুনা টাইটল ফংগদবনা উসেনিনানা ১৪.৫-১৩.৫দা হেল্লগা সুপর ফাইনেল অদু মহাক্লা চেম্পিয়ন ওইখিবনি। ফিদেনা পাঙথোকপা ওনলাইন টুর্নামেন্ট অমসু ইন্দিয়াগী আনন্দ য়াওনা হয়েংদগী হৌরগা পূন্না শান্নরোয় ১০না লম্বা তৌনগদৌরি।

# বেলোন দি'ওর এৱার্দ চহী অসিগী ওইনা পীররোই



পেরিস, জুলাই ২০ (এজেন্সী) : মালেমগী ফুটবোলগী লম্‌দা খ্বাইদগী ফজনা শান্নবা ঙস্বা শান্নরোয়দা চহী খুদিংগী পীবা মমিং লৈরবা মনা অমসু ওইরিবা বেলোন দি'ওর কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা চৎলিবা চহী অসিগী ওইনদি পীররোই হায়রি।

বেলোন দি'ওর মনা অসি ফ্রান্সকী ফুটবোল মেগাজিননা পীবনি। কুমজা ১৯৫৬তা অহানবা ওইনা হৌদোকখিবা মতম অদুদা সানলি মেথিয়ুসনা ফংখি।

মালেমগী ওইনা হৌজিক মনা অসি মশীং খ্বাইদগী ফংলিবা শান্নরোয় অদু অর্জেন্টিনা মচা হৌজিক হৌজিক্লা স্পেনগী বর্সেলোনা ফুটবোল ক্লবতা শান্নরিবনি। মহাক্লা পূন্না মনা অসি তরুক্লক ফংখিবদা মহাক্কী খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা ওইরিবা পোর্টুগল মচা অদুগা হৌজিক্লা ইটালিগী জুবেন্টস ফুটবোল ক্লবতা শান্নরিবা খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনি।

ফ্রান্সকী ফুটবোল মেগাজিন অদুনা নুপাখক্কী ওইনা পীরম্বা মনা অদু কুমজা ২০১৮দগীদি নুপীগীসু য়াওহল্লকখি।

ফ্রান্স ফুটবোল মেগাজিন অদুগী এদিটর পাস্কল পেরেনা ফোঙদোকখিবদা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা মফম খুদিংমক্তা ফুটবোল মশান্না অসি মপূং ফানা শান্নবা য়াখিদবা মরম্লা করম্বা শান্নরোয়না মেচ কয়াম য়াম্লা শান্নখ্রবা নৎত্রগা করম্বা অফবা শান্নরোয়শিংনা মেচ শান্নদনা লৈহৌবগী ৱাফম য়াওরকপা অসিনা হন্দক্কী চহী অসিদা মনা অসি পীররোই হায়রক্লি।

তোঙান তোঙানবা ইন্টরনেসনল স্পোর্টস এক্টিভিটি পূম্নমক মতম য়ৈথোক্তুনা নৎত্রগা তোকপসু য়াওখ্রবনি। মেগাজিন অসিগী ওইনা জ্যুরি মেম্বর ১৮০ লৈ। মখোয়গী মায়কৈদগী খ্বাইদগী ফজবা নোমিনেসন মঙা তৌবগী চৎনবী লৈ। অদুবু করিগুম্বা চৎলিবা কুমজা ২০১৯-২০গী চাংদম্নবদা মেসিনদি রোনাল্ডোদগী হেল্লগনি। মরমদি ঙরাং অথেংবদা লোইশিনখিবা লা লীগাগী রাউন্দ ৩৮দা মেসিনা পূন্না পাঞ্জল ২৫ চন্দুনা অমদি গোল ২১দা এসিষ্ট তৌখিবা পর্ফোর্মেন্স অদুনা লা লীগাগী গোল্ডন বুঠ এৱার্দসু ফংখ্রবনি। রোনাল্ডোনা ইটালিগী জুবেন্টসতা শান্নরবসু মেসিগী পর্ফোর্মেন্স অদু য়ৌররোই।

## এফ এ কপ ২০১৯-২০

# চেলসিনা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা এফ এ কপকী ফাইনেলদা অর্সনেলগা থেংনরগনি



লন্দন, জুলাই ২০ (এজেন্সী): মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদপু চেলসিনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা এফ এ কপকী অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতা পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা ওগষ্ট অমদা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা অর্সনেলগা লম্বা তৌনরগনি।

মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী গোলকিপর দেভিদ দি জিয়ানা অশোয়বা য়াওখিবা তাঞ্জা অনী অমদি টিম অদুমক্কী শান্নরোয় হেরি মেগ্বয়রনা শোয়বদগী চনশিঞ্জখিবা পাঞ্জল অদু থারগা চেলসিনা টিম অদুবু ৩-১দা থোইখি।

মেচ অদুগী অহানবা হাফকী পুঙ্খায় হেল্লক্লবা মতম ফাওবদা টিম অনীমক পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লাকখিবনি। অদুবু হাফ অদু লোইগদবা অরোইবা মিনট অদুদা চেলসিগী মায়কৈদগী চথরকখিবা এটেক অমদা সিজর অস্পিলিক্কেটানা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট ওলিবর জিরোদনা চন্দুনা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদপু ১-০দা হেল্লগা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপা মিনট অমা চঙশিল্লকপদা চেলসিগী শান্নরোয় মেনস মাউন্টনা য়াম্না ফজবা পাঞ্জল অমা চল্লগা ২-০দা হেন্দুনা লৈখি। মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী টিম অদু অনীশুবা সেমীফাইনেল মেচ অদুদা কা হেন্না ফজবা ঙমখিদে। চেলসিনা চনখিবা পাঞ্জলশিং অদু য়ুনাইটেদকী গোলকিপরগী অশোয়বা কয়া য়াওখি। মেচকী ৭৯শুবা মিনটতা মখা তানা চেলসিনা চথরকপা এটেক অমদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী দিফেন্দর হেরি মেগ্বয়রনা শোয়বদগী চনশিঞ্জখিবা পাঞ্জল অদুনা চেলসিনা মখোয়বু ৩-০দা হেন্দুনা চৎখি।

মেগ্বয়রনা টিম অদুগী শান্নরোয়শিং পাঞ্জল অনী শোথদুনা প্রেসর লৈরিঙৈ অদুদা চেলসিগী এটেক তৌরকপা বোল অমা ঙাকথোকখিবগী মহুত্তা মার্কোস অলোনসুনা পীরকপা ক্রোসকী বোল অদু ঙাকথোকপগী মহুত্তা থকচিনখিদুনা পাঞ্জল অদু ওইখি।

শান্নবা লোইগদবা মতম য়ামশিল্লক্তূবদা মায়থীবগী লম্বেল য়ৌগদরবা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী পুশিল্লকপা এটেক অমবু ঙাকথোক্লনবা চেলসিগী শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী কাঙলোন চুমখিদবদগী পেনালটিদা ব্রুনোনা চন্দুনা ১-৩দা মায়থীহৌখি।

# শান্নরোয় তরামাথোই ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ত্রান্সফরগী মমিং থাগৎলক্লে

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না খঙহল্লকপগী মতুংইন্না মণিপুরদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী শান্নরোয়শিংগী ত্রান্সফর অমসুং লোনগী মতম পাঙথোক্লিবা অসিগী মনুং চন্না ঙসি পূন্না শান্নরোয় ১১ মখোয় মখোয়না হান্না শান্নরম্বা ক্লবতগী অতোপ্পা ক্লবতা য়াওননবা এপ্লাই তৌরকখ্রে।

জি দি সী বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতগী ঐচ রাজকিরন, এল রোনালদো, ঐচ মাইকেল অমসুং এন অর্বিন্দনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী বি এম এস সীদা ত্রান্সফর তৌরগে হায়না চে থাগৎলকপনি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ক্লাসা ফুটবোল ক্লবকী মায়কৈদগী এল কিষন, দব্লিয়ু বিপিনচন্দ্র অমসুং এস সনাতোম্বনা ককচীংগী ফুটবোল ক্লব ককচীংদা ত্রান্সফর তৌনবা এপ্লাই তৌখি।

ইম্ফাল ইষ্টকী রাও ফুটবোল ক্লবকী শান্নরোয় টি ঐচ য়াইফবসু ককচীংগী এফ সী ককচীংদা শান্নবা য়ানবা ত্রান্সফরগী এপ্লিকেসন পীরকপনি।

অমরোমদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ক্লব অমা ওইরিবা আই লীগতসু শান্নবা ঙম্লিবা ত্রাও ফুটবোলগী মায়কৈদগী ৱাই মোনিসনা ইম্ফাল ইষ্টকী নেসু ফুটবোল ক্লবতা ত্রান্সফর তৌবীনবা চে পীরক্লি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী অতোপ্পা ক্লব এস এস য়ুগী কে জোনতি অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ক্লব অমোফাদসু পি নাওবীনা ইম্ফাল ইষ্টকী নেসু ফুটবোল ক্লবতা ত্রান্সফর তৌনবা এপ্লাই তৌরক্লে হায়না অম্ফাগী ত্রান্সফর কম্মিটিগী কনভেনর অমসুং এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরিসু ওইরিবা এম নিলোনা ফোঙদোরক্লি।

# জপান্দা এথলেট নহাশিংদা ওৎনৈবগী রিপোর্ট : হ্যুমেন রাইটস ৱাটচ




টোকিও, জুলাই ২০ (এজেন্সী): হ্যুমেন রাইটস ৱাটস রিপোর্ট অমদা তোঙান তোঙানবা মশান্না ৫০ হেনবদা নৌনা শরুক য়ারিবা চহী নৌরিবা শান্নরোয়শিং ৪০০ হেনবগী ৱারীদা য়ূম্ফম ওইরগা মখোয়বু ফূ-চৈবা অমদি করিগুম্বা মতমদা ত্রেনিং মনুংদা সেক্স্যুএল এব্যুজ ফাওবা চথখি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি লমায় ৬৭ পানবা রিপোর্ট অদুগী টাইটল 'আই ৱাস হিট সো মেনি টাইমস আই কেনোট কাউন্ট' ওইখি। রিপোর্ট অদুদা এথলেটশিং অদুগা হকথেংননা ৱারী শানদুনা মখোয়না থেংনখিবা চৈথেং ময়াম অদুগী ৱারী য়াওরি।

কুমজা ২০১৩দা জপানিজ ওলিম্পিক কম্মিটিনা লৈবাক অদুগী তোঙান তোঙানবা স্পোর্টস ফেদরেসনশিংদা ভাইওলেন্সকী থবক অমত্তা লৈহল্লরোই হায়না থাজবা পীখিবনি। চহী অদুগী ইন্টরনেল সর্ভে অমদা এথলেট চাদা ১০দি ইকায়বা পীবা, লক্লবিবা অমদি ফূ-চৈবগী ৱারী য়াওখি।

অকক্লবা নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিংবু ওৎপগী মতাং অদু কিন্না থিনবা, খূৎপাক্লা থাবা, খোঙনা কাওবা, পোৎশক অমনা কনবা, চানবা পোৎলম অমসুং ঈশিং ৱাৎনা পীবনচিংবা থবক থৌরম কয়া চথখি হায়না পাউগী মীফম অমদা হ্যুমেন রাইটস ৱাটচতা দিরেক্টর ওফ গ্লোবেল ইনিসিএটিভ ওইরিবা মিঙ্কি ৱার্দেননা ফোঙদোরকখি।

হ্যুমেন রাইটস ৱাটচনা ফোঙদোরকখিবা রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্না মখোয়গী থবক থৌরমশিং অদু হেনমল্লে। জপান স্পোর্টস কাউন্সিলদা অসিগুম্বা থবক থৌরমশিং অসি লৈহন্দনবা লাক্কদৌরিবা ২০২১ ওলিম্পিক গেমস অসিদা অনৌবা মায়ওন অমা পীরসি হায়না ফোঙদোকখি।

পাউগী এজেন্সি অমনা রিপোর্ট অসিগী মতাংদা জপান ওলিম্পিক কম্মিটিদা হংলুবদা কম্মেন্ট অমত্তা পীরকখিদে হায়রি।

# মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা কাং মশান্না অসি মালেমগী থাক্তা পুখৎপা য়ানবা তেন্থা খোংবান্দা কাংশঙ শাবা লোইশিল্লক্লে

নোমিতা খোংবান্তাবম

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচএনএস): মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা য়েলহৌ মশান্না অমা ওইরিবা কাং য়োকখৎনবগীদমক অমদি মশান্না অসিবু মালেমগী থাক্তা পুখৎপা ঙম্নবগীদমক্তা তেন্থা খোংবান্দা কাংশঙ শাবা লোইশিল্লক্লে। হায়রিবা কাংশঙ অসি ওগষ্ট ১৩দা শঙ্গানবা পান্দম থল্লি হায়না কাংশঙ অসি শাবগী থবক পায়খৎলকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা হান্নগী আর্ট এন্দ কলচরগী মিনিষ্টর ওইরম্বা ডা. মোইরাংথেম নরনা পাউচে অসিগা অখন্নরনা উনবদা ফোঙদোরক্লি।



মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, আর্ট এন্দ কলচর হায়বসিদা ঙাওজবা মীশক অমা ওইরুবনা হৌজিক ফাওবদা নাৎকা মরী লৈননা কাংশঙ অসি শেমগৎপা মথৌ তাই হায়না শেমগৎলকখিবনি। অদুবু কাংশঙ শানবগী থবক অসি পাঙথোক্লবা হোৎনবদা শেলগী মথৌ তাবনা খোঙজেল য়াঙনা শেম শাবা ঙমদনা লাক্লি। অদুবু হন্দক কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ অসিনা লোকদাউন লৈখিবদগী মীয়াম্না তৌফম খঙদবা মতম হায়বদু ওইরি। মতমসিদা করি তৌগনি খনবদা ইশানা কলচর পামজরকপা অমা ওইনা কাং শান্নফম ওইনবা কাংশঙ অসি শাগৎকে হায়বগী ৱাখল লাকখি। মসি করিগীনো হায়বদা তেন্থা খোংবান অসিদা হান্নদগী মল্টি প্লেস মেনেজমেন্ট কম্মিটি হায়দনা লৈজরিবা অসিগী লম লৈজে। লম অসি হাংদুনা লৈবা মফম ওইবদগী কম্মিটিগা লোয়ননা কাংশঙ অসি শাগৎলসি হায়দুনা শাগৎলকখিবনি।

কাংশঙ অসি ফিট ৬০ পাকপা অমসুং ৮০ শাংবা শঙনি। কাংশঙ অসিগী অকোয়বদা মীয়াম্না য়েংননবগী মফম শেমগৎলিবা অসিনা ফিট ১৩ পাকপা অদুগা ১০০ শাংবনি। মসিদা চাউরাক্লা মীওই লিশীং ৫ চনগনি। লমদমসিগী অমদি ঐখোয়গী ওইনা লৈজরক্লবা কাং মশান্না অসি হেন্না পাকথোক চাউথোক্লা য়োকখৎপা ঙম্নবগী পান্দমদা শাবনি। অদুগীসু মথক্তা চাং নাইনা টুর্নামেন্টশিং পাঙথোকপা য়ানবগী মঙলানসু লৈরি।

মহাক্লা মখা তারদুনা হায়খিবদা ঐখোয়গী কাং মশান্না অসি কলচর অমা ওইনা মালেমগী থাক্তা পুখৎপা য়ানবনি। ওগষ্ট ১৩ অসি ঐখোয়গী পুৱারীগী শাগোন্নবা নুমিৎ অমা ওইবা মরম্না নুমিৎ অসিদা শঙ্গাবা পামজৈ। অদুবু হৌজিক লৈরিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী ফীভম অসিগী মতুংইন্না লেপকনি। চৎলিবা থা অসিদা শাবা লোইশিন্নবা কন্না হোৎনরি।

কাংশঙ অসি শেল লৈরগা শাগৎপদি নত্তে। ঐখোয়গী মল্টি প্লেস মেনেজমেন্ট কম্মিটিগী ভল্যুনিটয়রশিংনা অমদি ইশা য়াওনা শেল খায়নদুনা শাজবনি। কাংশঙ অসি তুংগী মীরোল ফাওবা লৈতানা লৈবা কাংশঙ অমা ওইহৌনবগীদমক্তনি। মসিনা তেন্থা হায়রিবা লমদম অসিখক্তা নত্তনা মণিপুরগী মীয়াম্না লাক্লগা শান্নবা য়াহনগনি।

মণিপুরী কলচরেলগী শরুক অমা ওইনা লৈরক্লবা কাং মশান্না অসিবু য়োকখৎপা হায়বসিদা কাংশঙ অমা লৈতবা য়াদে। অদুনা কাংশঙ লৈরবা মতুংদা মালেমগী থাক্তা পুখৎপা য়ানবা হোৎনবা হায়বসিদা চঙশিনগদৌরিবনি। কলচর পামজবা অমা ওইনা কাংশঙ অসি শাবা ঙমজবনি। শেল লৈদুনা শাবা নৎত্রগসু মীয়াম্না কাং মশান্নবু য়োকখৎপা পাম্বদগী অমদি তুংগী মীরোল ফাওবদা লৈহৌনবগী মীৎয়েংদা মতেং পাংবীদুনা শাবা ঙমজবনি খল্লি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

# ওষ্ট্রেলিয়াগী ইংলেন্দ টুর সেপ্টেম্বর ৪দা হৌরবা য়াই

মেলবর্ন, জুলাই ১৯ (এজেন্সী): ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্রিকেট টিমনা ইংলেন্দদা বাইও সিক্যুওর হায়নসু খঙনবা টি-২০ মেচ অহুম অমদি ৱান দে মেচ অহুমগী টুর অদু সেপ্টেম্বর ৪দগী হৌরবা য়াই হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

লন্দন্দা নুংতিগী ফোঙবা পাউচে দি দেল্লি টেলিগ্রাফতা পীরকখিবা রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্না টি-২০ মেচ অহুম অদু সেপ্টেম্বর ৬, ৭ অমসুং ৮দা শান্নগনি। অদুগা ৱান দে অহুম অদুনা সেপ্টেম্বর ১০, ১২ অমসুং ১৫দা পাঙথোকপা য়াই হায়রি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোয়শিং অদু ইংলেন্দদা প্রাইভেট জেট অমদা অতোপ্পা পেসেঞ্জর অমত্তা য়াওদনা লাক্লগা সাউথম্পটর্ন অমসুং ওল্ড ত্রাফোর্দ ক্রিকেট গ্রাউন্দ ২দা শান্নগনি হায়রি।

# ইংলেন্দনা ৱেষ্ট ইন্দিজপু অনীশুবা টেষ্ট মেচ রন ১১৩দা থোইবা ঙমখ্রে

মেঞ্চেষ্টর, জুলাই ২০ (এজেন্সী) : ৱেষ্ট ইন্দিজ অমসুং ইংলেন্দনা শান্নবা অনীশুবা টেষ্ট মেচ অদু ইংলেন্দনা ঙসি অরোইবা নুমিৎতা রন ১১৩দা মায় পাকপা ঙমখ্রে।

ঙসি মঙানিশুবা নুমিৎকী অহুমশুবা সেসন লোইশিন্দ্রিঙৈদা ৱেষ্ট ইন্দিজনা মায় পাক্লবা রন ৩১২ লৌগদবা অদু ৱিকেট ১০ তুরগা রন ১৯৮দা ইন্নিংস লোইশিনখিবদগী ইংলেন্দনা মায় পাকখিবনি।

ইংলেন্দগী বোলরশিংগী এটেক অদুদা ৱেষ্ট ইন্দিজগী বোলরশিং অদু দ্রো শান্ননবা আউট ওইদনা লৈবা ঙমখিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি, সাউথম্পটন সিটিদা শান্নখিবা অহানবা টেষ্ট মেচ অদু ৱেষ্ট ইন্দিজনা ইংলেন্দবু ৱিকেট ৪দা মায়থীবা পীখিবনি।

থা অসিগী ১৬তগী হৌখিবা অনীশুবা টেষ্ট মেচ অদু ৱেষ্ট ইন্দিজনা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌনবা ৱারেপ লৌখি। সাউথম্পটনগী অহানবা টেষ্ট মেচ অদুদদি ৱেষ্ট ইন্দিজগী বোলরশিংনা ইংলেন্দগী বেটচমেনশিং অদুবু মপূং ফানা খুদুম চনবা ঙমখি।

অদুবু অনীশুবা টেষ্ট মেচ অসিগী অহানবা ইন্নিংস শান্নরকপদা ইংলেন্দনা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ৪৬৯ লৌবা ঙম্লগা দিক্লার তৌখি। মদুগী পাউখুমদা ৱেষ্ট ইন্দিজকী মায়কৈদগী অহানবা ইন্নিংস অদু শুপ্নগী রন ২৮৭ খক লৌরগা লোইশিনখিবদগী ইংলেন্দনা মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংস শান্নবদা রন ১২৯ য়ৌরকপদা অমুক্কা হন্না দিক্লার তৌদুনা ৱেষ্ট ইন্দিজপু অনীশুবা টেষ্ট মেচ অসি মায় পাক্লবা রন ৩১২গী টার্গেট পীরমখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজনা মায় পাক্লনবা ইংলেন্দনা পীরম্বা রন ৩১২গী টার্গেট অদু য়ৌদ্রবসু ঙসি অরোইবা নুমিৎ অসিদা বেটচমেন ১০মক আউট ওইদ্রগদি দ্রো চৎলমগদবনি।

# অতোম শ্বামি অমসুং খাংজ্রাকপম পান্থোইস্নানা বেষ্ট করাটেকা মীংথোল ফংখ্রে





ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচএনএস): ইন্টরনেসনল সিটোরু করাটে ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা চীফ মুতুম বঙ্কিমগী লমজিং মখাদা অহানবা ফিমেল ৱর্ল্ড করাটে ফেদরেসনগী সর্টিফাইদ কাটা অমসুং কুমিটে কোচ সেনসৈ সোইবম বিদেশ্বরিনা তাকপী তম্বীদুনা মে থাগী ২১দগী হৌদুনা নুমিৎ ৬০নি চথরকপা ওনলাইন ক্লাস অদুদা মণিপুরগী অতোম শ্বামি অমসুং খাংজ্রাকপম পান্থোইস্নানা বেষ্ট করাটেকাগী মীংথোল ফংখ্রে।

শ্বামি পাটশোই পার্ট ৱান্দগী অতোম শ্যাম অমদি নন্দিগী মচানুপানি। মহাক কিন্দর গার্দেন মোন্টেশ্বরি স্কুলদা ক্লাস ফোর তম্লি। অদুগা খাংজ্রাকপম পান্থোইস্নানা ক্বাকৈথেল লমদোংদগী ডা. কে ঐচ গৌরচন্দ্র অমদি ডা. লিম্থোইঙম্বীগী মচানুপীনি। মহাক লিট্টল ফ্লৱারদা ক্লাস সিক্স তম্লি। ক্লাস অসি ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী শরুক য়াখি। মখোয় অনীদা করাটে সুট খূৎশিন্নখি।

# মণিপুর ষ্টেট লীগ ওগষ্ট ১দগী হৌগনি হায়বা ৱাফম অরানবনি : অম্ফা

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা তোঙান তোঙানবা শান্নবগী হীরম খুদিংমক লেপ্পুনা লৈরিঙৈ মণিপুরদা শান্নরোয়শিংগী ওইবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ত্রান্সফর অমসুং লোন চথরি। মরক অসিদা মণিপুর ষ্টেট লীগ ওগষ্ট ১দগী হৌরগনি হায়না নিশাগী প্রসিদেন্টনা ইলেক্ট্রোনিক্স মিদিয়াদা হায়খিবা ৱাফম অদু অরানবনি হায়না অম্ফাগী মায়কৈদগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি এম নিলোনা প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

মরী লৈনবা টিমশিংদা অম্ফাগী মায়কৈদগী চে থাদুনা মণিপুর ষ্টেট লীগ হৌবগী ৱাফম খঙহনখিবা লৈতে। ওগষ্ট ১দগী হৌবা হায়বদুদি কোভিদ-১৯গী চৈথেং ফংদ্রিঙৈ অম্ফাগী চহী খুদিংগী ফোঙবা কেলেন্দর অদু ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্দা পাউ খঙহনখিবা অমদি অয়াবা লৌবা অদুনি।

হৌজিক লৈরিবা কোভিদ-১৯গী লৈবাক্কী ওইবা ফীভম অসিনা অহোংবা লৈগনি। মমাঙগী চহীদা জুন থাদা প্লেয়র ত্রান্সফর তৌবগী থবক অদু চহী অসিদা জুলাই থাদা পাঙথোক্লিবা অসিনি। ফিফাগী মখাদা ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্ট কয়া পাঙথোক্লি। এ আই এফ এফনসু আই লীগ হৌনবা শেম শারি।

অসুম্না অম্ফানসু কূপ্না খন্নরবা মতুংদা টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লবা শেম শারি। অম্ফানা পাঙথোরকপা টুর্নামেন্টশিংগী মতমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা পীবা কোভিদ-১৯গী কাঙলোনশিং অদু ঙাক্লা চৎকনি। লোয়ননা টিমশিংগী ওইবা মীওই ১০/১০দগী হেন্না শান্নফমদা চঙহনবগী অথিংবা থমগদৌরি। ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না ইন্টর ষ্টেট ত্রান্সফর অদু চৎলিবা চহী অসিগী ওগষ্ট ১দগী ওক্টোবর ২০ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়রি। মণিপুর ষ্টেট লীগতা শরুক য়াগদবা টিমশিংদা টুর্নামেন্ট হৌগদবা মতম অদু মতম চানা খঙহল্লক্কনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

মরক অসিদা মণিপুরগী ফুটবোলগী পেরেন্ট বোদি ওইরিবা অম্ফাদা হংলম্বা নৎত্রগা তানরম্বা লৈতনা টিম অমনা ইলেক্ট্রোনিক্স মিদিয়াদা ফোঙদোকপা হায়বসি অরানবা অমসুং লাইবক থীবনি। টিমশিং অমদি প্লেয়রশিংগী মায়কৈদগী অৱাবা অম্ফানা মুন্না খঙই হায়রি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com